


# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, WEDNESDAY, SEPTEMBER 25, 2019 PAGE 7**




*ৱুহাই ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রবা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা বৃটেনগী এন্দি মুরে*

*খ্বাং শোকপদগী সাউথ অফ্রিকাগা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট সেরিজদা য়াওররোইদৌরিবা ইন্দিয়াগী ফাষ্ট বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহ*

## অহানবা টি-২০ মেটচ ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু রন ১১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*সুরট, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম অমদি সাউথ অফ্রিকা নুপী ক্রিকেট টিম্না শান্নরিবা টি-২০ সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসি সুরটতা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না সাউথ অফ্রিকাগী নুপী টিম্বু রন ১১ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১-০ দা মাঙজিল থাখ্রে।



*সাউথ অফ্রিকাগী ৱিকেট ৩ লৌখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর দিপ্তি শর্ম্মা*

অহানবা টি-২০ মেটচ অসিগী টোস সাউথ অফ্রিকানা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং তৌদুনা শান্নরকপদা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা বেটসৱুমেন ৮ আওট ওইরগা রন ১৩০ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখিদে। টিম অসিগী ওপনর সাফালি ভর্ম রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা জেমীমাহা রোড্রিগ্বেজনা অতোপ্পা ওপনর স্মৃিটি মন্ধনানা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

ওপনর স্মৃিটি মন্ধনাসু বোল ১৬ মায়োনবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। মতম অসিদা ইন্দিয়া অপুনবা রন ২৮ শুরকপদা ৱিকেট অনী তুখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন ওইনা টিম অসিগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোর শান্নবা চঙলকখি। জেমীমাহ রোড্রিগ্বেজসু বোল ২৫ দা ফোর ৩ য়ৈরগা রন ১৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা দিপ্তি শর্ম্মবু বোল ১৬ রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অসিদা ৪শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী হর্মনপ্রিত কোরনা বোল ৩৪ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ৩ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটসৱুমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী ইন্নিংস ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩০ লৌখি। সাউথ অফ্রিকাগী বোল্লিংদা সাবনিল ইসমেলনা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

সাউথ অফ্রিকানা মায় পাক্নবগী রন ১৩১ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১১৯ খক লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু রন ১১ দা মায়থিবা পীরমখি।

সাউথ অফ্রিকাগী ইন্নিংস অসিদা ৫শুবা বেটসৱুমেন ওইনা চঙলকখিবী মিগনোন দু প্রিজনা বোল ৪৩ দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ওপনর লিজেল্লে লিগী রন ১৬ অমদি অহুমশুবা বেটসৱুমেন লোরা ৱোলভার্ডটকী রন ১৪ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা দিপ্তি শর্ম্মনা সাউথ অফ্রিকাগী বেটসৱুমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। টিমমেট সিখা পান্দে, পুনম যাদব অমদি রাধা যাদবসু ৱিকেট ২ / ২ লৌবা ঙমখি।

## সিন্ধুগী ফোরেন কোচ কিম জি হ্যুন ফম থাদোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপী সট্টলর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন পি ভি সিন্ধুগী কোচ ওইরম্বী সাউথ কোরিয়া মচা কিম জি হ্যুন মশাগী খুদোংচাদবা লৈবদগী কোচ ওইবগী ফম অসিদগী রিজাইন তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৪৫শুরবী সাউথ কোরিয়া মচা কিম জি হ্যুন মহাক্কী মপুরোইবা রিটচি মার নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ষ্ট্রোক তৌখিবদগী কিম ন্যু জিলেন্দদা চৎখিবনি। মহাক্কী মপুরোইবগী অনাবা অদু ফগৎলক্তবদগী মহাক্কী পায়রিবা কোচ ফম অসিদগী রিজাইন তৌরে হায়না খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী জেনরেল সেক্রেটরী অজয় সিংহানিয়া নৎত্রগা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা পি ভি সিন্ধুগী ফোরেন কোচ ওইরিবী কিম জি হ্যুন মহাক্কী ফম অসিদগী রিজাইন তৌরে হায়বগী পাউ অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়রি।

কিম জি হ্যুন চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তগী হৌরগা পি ভি সিন্ধুগী ফোরেন কোচ ওইবগী ফম অসি পুরকখিবনি। কিম জি হ্যুনগী লিচিং মখাদা লৈবাক অসিগী সট্টলর পি ভি সিন্ধুনা হন্দক্তা স্বিটজরলেন্দগী সিটি বাসেলদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ্তা অহানবা ওইনা টাইটল লৌদুনা পুৱারী শেম্বা ঙমখিবনি।

## লিওনেল মেসি অমদি মেগান রাপিনোনা ফিফা বেষ্ট ফুটবোলগী নুপা অমসুং নুপীগী এৱার্দশিং ফংখ্রে

*মিলান, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি ফিফানা পীবা ফিফা দি বেষ্ট ফুটবোল এৱার্দ য়েন্থোকপদা বার্সেলোনাদা শান্নরিবা আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা নুপাগী এৱার্দ ফংখ্রে, অদুগা নুপীগী এৱার্দনা য়ু এসকী শান্নরোই মেগান রাপিনোনা লৌখ্রে।



*নুপা অমসুং নুপীগী ফিফা প্লেয়র ওফ ইয়র এৱার্দ ফংখ্রবা লিওনেল মেসি (ওই) অমদি মেগান রেপিনো*

ফিফা বেষ্ট মেন'স প্লেয়র ওফ দি এৱার্দ ফংখ্রবা লিওনেল মেসি হৌজিক-হৌজিক স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ক্লব বার্সেলোনাদা শান্নরিবনি। মেসি আর্জেন্টিনা অমদি স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনাদা মশক থোক্লা শান্নবা ঙল্লিবনি।

লিওনেল মেসি মমাঙ থাদা য়েন্থোকখিবা য়ু ই এফ এ প্লেয়র ওফ দি এৱার্দ ফংগনি হায়না পান্নখিবা শান্নরোইনি। অদুবু এৱার্দ অসি লিভরপলদা শান্নরিবা ভিরজিল ভান দিজকনা ফংখিবনি।

লিওনেল মেসি অমদি ভিরজিল ভান দিজক দিসেম্বর ২ দা য়েন্থোকন্দবা বেল্লোন দি'ওর এৱার্দকী লমজেলদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংনি। ইটালিগী ফুটবোল ক্লব জুবেন্টসতা শান্নরিবা পোর্টুগালগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোসু বোল্লোন দি'ওর এৱার্দ অসিগী সোর্টলিষ্টতা য়াওরিবনি।

ফিফা বেষ্ট ৱুমেন'স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী এৱার্দ ফংখ্রবী য়ু এসকী শান্নরোই মেগান রেপিনো হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোইনি।

পাঙথোকখিবা ফিফা ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অদুদা মশাগী চহী ৩৪ শুরবী য়ু এস এগী শান্নরোই অসিনা গোল খ্বাইদগী য়াম্না গোল্ডন বুটকী এৱার্দসু ফংবা ঙমখি। লোয়ননা গোল্ডন বোল ফোর দি বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংবা ঙমখিবী শান্নরোইনি।

ফিফা ৱুমেন'স প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী এৱার্দ ফংখ্রবী মেগান রেপিনোনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না ফুটবোল মশান্নদা অখন্নবা খুদোংচাবা অমা ফংলে, ফুটবোল মশান্না অসি মালেমগী অতোপ্পা মশান্নশিংদগী তোঙাল্লি।

অসিগুম্বা য়াম্না ফজখ্রবা গেম অসিনা মালেমবু অফবা মায়কৈদা পুশিনবা ঙল্লি, মশান্না অসিবু মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা করিগুম্বা খরা তৌবা তঙাইফদে, ফুটবোল মশান্না অসিদা ঐখোয়না অচৌবা মফম অমা কনবা ঙম্লে হায়না মেগান রেপিনোনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ফিফানা পীবা ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী চাওবা মনা ওইরিবা ফিফা বেষ্ট ফুটবোল এৱার্দ অসিদা বেষ্ট মেন'স গোলকিপরগী এৱার্দনা ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুরদা শান্নরিবা ব্রাজিল মচা এলিসন বেক্কীনা ফংখি। অদুগা বেষ্ট ৱুমেন'স গোলকিপরগী এৱার্দনা স্পেনগী ক্লব এঠলেটিকো মাদ্রিদতা শান্নরিবা নেদরলেন্দস মচা সারি ভান ভিনেন্দালনা লৌখি। বেষ্ট মেন'স কোচনা লিভরপুলগী জরগেন ক্লোপনা ফংখি অদুগা বেষ্ট ৱুমেন'স এৱার্দনা য়ু এস এগী জিল ইল্লিজনা লৌখি।

## ইন্দিয়াগী মেন'স রিলে টিম্না এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌদুনা একাউন্ট হাংদোকখ্রে

*বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী মেন'স ফ্রিষ্টাইল রিলে টিম্না ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা নুমিৎতা গোল্ড মেডল লৌদুনা একাউন্ট হাংদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মেন'স ফ্রিষ্টাইল রিলে টিম অসি শ্রিহরি নতরাজ, আনন্দ অনিলকুমার, সাজন প্রকাস অমদি ভিরধাৱাল খাদেনা শেম্বনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৪X১০০ মিটর মেন'স ফ্রিষ্টাইল রিলে অসিদা ৩ঃ২.৭২ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।



*এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপকী মেন'স রিলেদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং টিম*

মেন'স ফ্রিষ্টাইল রিলে অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা শ্রীহরিনা অহানবা কম্পিটিন্দা ৫০.৬৮ সেকেন্দদা অহানবা পোজিসন তাখি। অনীশুবা কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা স্বিম্মর আনন্দ অনিলকুমারনা ৫১.২৮ সেকেন্দ, সাজন প্রকাসনা ৫১.৩৭ সেকেন্দ অমদি টিমমেট ভিরধাৱালনা ৫০.৩৯ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা অপুনবা ৩ঃ২৩.৭২ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী স্বিম্মিং টিম্না কম্পিটিসন অসি হেক হৌবদগী য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা অহানবা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি হায়না শ্রীহরি নাতরাজনা ফোঙদোকখি।

মেন'স ফ্রিষ্টাইল রিলে অসিদা ইরানগী টিম্না ৩ঃ২৮.৪৬ সেকেন্দদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সিলভর মেডল ফংখি অদুগা উজবেকিষ্টানগী টিম্না ৩ঃ৩০.৫৯ সেকেন্দদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী মিটর ৪X১০০ ফ্রিষ্টাইল রিলেদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না অপুনবা মতম ৪ঃ০০৭৬ সেকেন্দদা সিলভর মেডল ফংখি।

ইন্দিয়াগী নুপী রিলে টিম অসি রুজুটা খাদে (৫৯.৮৩ সেকেন্দ), দিভ্যা সাটিজা (১ঃ০১.৬১ সেকেন্দ), সিভানী কাটারিয়া (৫৯.৫৭ সেকেন্দ) অমদি মানা পটেল (৫৯.৭৫ সেকেন্দ) না শেম্বনি।

নুপীগী মিটর ৪X১০০ ফ্রিষ্টাইল রিলে কম্পিটিসন অসিদা থাইলেন্দগী নুপী টিম্না অপুনবা মতম ৩ঃ৫৪.২৯ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা হোং কোংগী নুপী রিলে টিম্না অপুনবা মতম ৪ঃ০৮.৬৪ সেকেন্দদা ফংখি।

এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা গ্রুপ টু বোইজগী মিটর ৪X১০০ ফ্রিষ্টাইল রিলে ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী রিলে টিম্না অপুনবা মতম ৩ঃ৪১.৪৯ সেকেন্দদা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী গ্রুপ টু বোইজ রিলে টিম অসি ভেদান্ট মাধভন (৫৫.২৭ সেকেন্দ), উটকার্স পটিল (৫৭.১০ সেকেন্দ), সাহিল লাস্কর (৫৪.৮৩ সেকেন্দ) অমদি সোৱান গাঙ্গুলি (৫৪.২৯ সেকেন্দ) না পুল্লগা শেম্বনি।

গ্রুপ টু বোইজগী মিটর ৪X১০০ ফ্রিষ্টাইল রিলে ইভেন্ট অসিদা জপাননা অপুনবা মতম ৩ঃ৩৪.৬০ সেকেন্দদা চথরিবা এসিয়ান এজ গ্রুপ স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা চাইনিজ তাইপেগী রিলে টিম্না অপুনবা মতম ৩ঃ৪২.২৯ সেকেন্দদা ফংখি।

## ৱুহান ওপন্দা ৱার্ল্ড নম্বর ওষ্ট্রেলিয়াগী বার্টিগা লোয়ননা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ৱুহান, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি ৱুহানদা থা অসিগী ২২ দগী চথরকপা য়ু এস দোলর ২,৮২৮,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ৱুহান ওপন দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিগা লোয়ননা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মখোয়-মখোয়গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্নুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।



ৱুহান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা ফ্রান্সকী কেরোলিনা গার্সিয়াবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪-৬, ৬-৪, ৬-১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ য়ু এসকী এস কেনিনগা শান্নরগনি।

য়ু এসকী এস কেনিননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু ৪-৬, ৬-৪, ৭-৫(৭-৫) দা থোইরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৩, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা কজাখষ্টানগী ই রাইবাকিনাগা শান্নরগনি। রাইবাকিনানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী ও জেবিয়রবু ৬-১, ৬-৭(৩-৭), ৬-২ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী এ এনিসিমোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা য়ুক্রেনগী য়াষ্টেমস্কাগা শান্নরগনি। য়াষ্ট্রেমস্কানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী য়ু এসকী মেকহেলবু ৬-৩, ৭-৬(৯-৭) দা থোইরম্বনি।

ৱুহান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ৭-৫, ৬-২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী এস কুজনেটসোভাগা লম্বা তৌনরগনি। রুশিয়াগী কুজনেটসোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা চাইনিজ তাইপেগী সৈ সু ৱৈবু ৬-২, ৭-৬(৭-৫) দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী পেত্রা ক্বিটোভানা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী পি হরকোগপু ৭-৬(৮-৬), ৬-৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সকা শান্নরগনি।

১০শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাই ৱাংবু ৬-২, ৩-৬, ৬-১ দা থোইরম্বনি।

৯শুবা সিদেদ বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী দি কোল্লিন্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-১, ৬-০ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা শান্নরগনি। বর্টেন্সনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী বি পেরাবু ৩-৬, ৬-৪, ৬-২ দা থোইরম্বনি।

ৱুহান ওপন দব্লিয়ু এ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী এম নিনোমিয়া অমদি চাইনাগী জেট য়াংনা ৩শুবা সিদেদ কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কী অমদি চাইনাগী ৱাই ঝুবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭-৬(৯-৭), ৭-৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী জুনিয়র সুট্টরশিংনা এসিয়ান সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল মরি লৌখ্রে

*অলমাটি, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

কজাখষ্টানগী সিটি অলমাটিদা চথরিবা ৯শুবা এসিয়ান সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা পুন্না মেডল মরি লৌখ্রে।

এসিয়ান সোটগন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র মেনগী স্কিট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অভে সিংহ সিখোননা পোইন্ট ৪৪ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। সেখোননা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১১৪ স্কোর তৌখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডলনা চাইনাগী সুট্টর য়ুৱান সুৱাইজুননা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্থু লৈবাক কজাখষ্টানগী ইদৱার্দ য়েচসেনকোবু সুট ওফতা পোইন্ট ৪-৩ দা মায়থিবা পীদুনা লৌখি। ফাইনেল রাউন্দদা সুট্টর অনীমক পোইন্ট ৫৪-৫৪ দা মান্নখিবদগী সুট ওফকী মথৌ তাখিবনি। কজাখষ্টানগী ইদৱার্দ য়েচসেনকোনা সিলভর ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসন্দা চাইনানা পোইন্ট ৩৩৯ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইন্দিয়াগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ৩২৬ ফংলগা সিলভর মেডল ফংলগা কজাখষ্টানগী টিম্না পোইন্ট ৩২৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

স্কিট ইভেন্ট অসিগী জুনিয়র ৱুমেনগী কাঙলূপ্তা চাইনাগী সুট্টর সুন য়াসুনা অতোপ্পা চাইনাগী সুট্টর লু য়িকাইবু সুট ওফতা পোইন্ট ৪-৩ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। সুট্টর অনীমক ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট মান্নদুনা লাকখিবদগী গোল্ড মেডল ফংবা সুট্টর খন্নবা সুট ওফ তৌনখিবনি। চাইনাগী লু য়িকাইনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী সুট্টর পারিনাজ ধালিৱালনা পোইন্ট ৩৯ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। ইন্দিয়াগী সুট্টর পারিনাজ ধালিৱালনা ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১১২ ফংলগা ফাইনেল রাউন্দ চঙলকপনি।

ইভেন্ট অসিগী টিম কম্পিটিসনদা চাইনাগী টিম্না পোইন্ট ৩৩৯ ফংলগা গোল্ড মেডল, ইন্দিয়াগী টিম্না পোইন্ট ৩২৩ ফংলগা সিলভর মেডল অদুগা য়ুম্থু লৈবাক কজাখষ্টানগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ৩০০ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

## ফিবা ৱুমেন'স এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিম জপানগী মখূত্তা পোইন্ট ২৭-১০৩ দা মায়থিখ্রে



*বেঙ্গালুরু, সেপ্টেম্বর ২৪(এজেন্সি)ঃ*

বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্তিরাভা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা ফিবা ৱুমেন'স এসিয়া কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী বাস্কেটবোল টিম জপানগী মখূত্তা য়াম্না শোথনা পোইন্ট ২৭-১০৩ দা মায়থিখ্রে।

গ্রুপ 'এ' গী ইন্দিয়া অমসুং জপাননা শান্নখিবা মেটচ অসি শান্নবা হৌবদগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জপানগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না হেনবা মওংদা লাকশিন্দুনা থম্বা ঙমখি।

মেটচ অসিদা জপানগী মায়কৈদগী চনখিবা মরুওইবা গোলশিং অদু হিমাৱারি অকাহো (২৩), সানে মোটোকাৱা (১৬), সাকী হায়াসি (১১), ইভেলিন মাৱুলি (১১) অমদি মোকো নাগাওকা (১০) নি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী স্রিরিন লিমায়েনা গোল ১১ চনবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা সাউথ কোরিয়ানা চাইনিজ তাইপেবু গোল ৪৮-৪৪ দা মায়থিবা পীখি। সাউথ কোরিয়া অমদি চাইনিজ তাইপেনা শান্নখিবা মেটচ অসি য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই মিনজিওং কিমনা গোল ১০ চনখি অদুগা চাইনিজ তাইপেগী আই সিয়ুনা গোল ১০ চনবা ঙমখি।

ক্রোসৱার্দ ২৮৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | O | F | T | | R | A | F | T | | O | R | B | S |
| L | O | N | E | R | | E | L | L | A | | Z | E | A | L |
| M | A | C | R | O | | D | D | A | Y | | A | N | N | E |
| A | N | E | N | J | O | Y | A | B | L | E | R | E | E | D |
| | | | | A | R | E | | | O | A | K | | | |
| A | L | U | M | N | A | | B | O | R | G | | S | P | A |
| R | O | N | A | | T | H | I | N | | L | A | T | I | N |
| I | C | A | N | F | E | E | L | T | H | E | B | E | E | T |
| S | U | P | E | R | | A | L | O | E | | L | I | T | E |
| E | S | T | | I | N | D | Y | | A | R | E | N | A | S |
| | | | A | G | A | | | A | T | E | | | | |
| P | L | U | G | G | I | N | G | T | H | E | L | E | E | K |
| L | A | N | E | | A | E | R | O | | K | A | R | E | N |
| A | K | I | N | | D | R | U | M | | E | M | I | L | E |
| N | E | X | T | | S | O | B | S | | D | E | N | S | E |